# সনামহী লাইনীংগী হোলি বুক -৩ (উমংলাই হরাউবা - হোলি বুক ওফ মীতৈ)

– ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ –
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর
দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর



**মীতৈগী** অশেংবা মশক থিগে হায়রবদি লাই হরাউবদা থিয়ু হায়না অখঙ অহৈ কয়ানা তাকপীরম্বগী মতুং ইন্না লাইথৌ অসি কূপ্পা নৈনরগদি অমদি থিজিন-হুমজিল্লগদি ফিলোসোফি ওফ সনামহীজমগী মচাক-মচল কয়া মরাং কায়না য়াওরিবসি শোয়দনা থেংনগনি। মীতৈ ঐখোয়গী স্কুল ওফ ফিলোসোফিসু ওইরিবা অরিবা চৎনবী অসি লিভিং হোলি বুক ওফ মীতৈনি হায়বদা য়াম্না চুনবগুম থোক্লি। মীতৈ খুন্নাইগী ওইবা হীরম (সবজেক্ট) পূম্বা শুনা য়াওরবা উমংলাই হরাউবা অসি য়েলহৌমী ঐখোয় ময়ামগীদি য়ুনিভর্স ওফ নোলেজনি। মীওইবগী পুন্সিদা য়াম্না কান্নরগদবা ৱাখল লৌশিং অমদি পাউতাক কয়ানা পীক থন্না য়াওবগা লোয়ননা সনামহী লাইনীংবু য়োক্তুনা থল্লিবা মীতৈগী নাৎ, চৎনবী, পুৱারী, হৌরক ৱারী কয়াবু লাই হরাউবনা পাথাং পুথাং য়ৈনা শমথরী। ঐখোয়গী সিভিলাইজেসনবু ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা নীংশিংহল্লিবা লিভিং আর্ট ফোর্ম অসিদা শীজিন্নরিবা খুনুংলোনশিং অসিদা ফুমদুনা য়াওরিবা Faith & Beliefs, Myths, Legends, Taboos, Riddles & Proverbs, Folk Tales, Folk Songs, Ancestor Worship, Rites & Ritual Ceremonies, Hymns & Chants, Ethnicity of Meitei নচিংবা কয়াশিং লাইনীং অসিগী হোলি বুক্কী মচাক ঙাক্তনি। তাইবঙ মপু মহাক্কী কুম্মৈ ওইরিবা য়াইবী থৱায়গী নোংগুম-নোংগারোনবু উৎতুনা শান্নরিবা লাইথৌ অসিনা পূন্নমকপু শেম্বীরকপা মপু মহাক্কী মতিক-ময়াই, লাইচৎ-লাইয়াৎলোন, লাংওন-শাইওনশিং, মীঙ্খেরোনশিং, ইরাৎ থৌনিরোল, লাইশোন-তিনশোলনচিংবা কয়াসু লাই হরাউবনা ঐখোয়দা ময়েক শেংনা তাকপীরি। অৱাংবা থাক্কী লাইনীং-লম্বী, লাইনীং-পরৈ, লাইনীং খুদানচিংবা তাইবঙ মপুগী পাউতাক-পাউজেলনচিংবা কয়ানা পীক থল্লবা মীতৈগী মোরেল অমদি স্প্রিচুয়েল ভেল্যু সিষ্টেম অমসু ওইরিবা উমংলাই হরাউরোলনা লাইনীং অসিগী অহকপশিং অমদি চীংউরোলশিংসু ঐখোয়দা খঙহনবীরি। অসিগীসু মথক্তা লাইনীং অসিগী য়াম্না মরুওইবা লাইফমলেন অমদি অশেংবা মফম কয়াসু উমংলাই লাইকোনশিংনা ওইরিবনি। মীতৈগী খ্বাইদগী মরুওইবা Spiritual Insight অমসুং Wisdom গী Repository ওইরিবা উমংলাই হরাউবা অসি মীতৈগী হোলি বুকনি হায়বদা কনানসু য়ানিংদবা তৌরোই হায়না থাজৈ। মালেম পূম্বদগী Spiritual Seeker, অখঙ-অহৈ, নৈনরোই কয়াগী পূক্নিং চিংশিন্নফম ওইরিবা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী চৎনরক্লবা উমংলাই হরাউবা হায়রিবা লাইথৌ অসিগী লাইশোন-তিনশোন, জগোয়-ঈশৈ, লাইপোৎ-শেনপোৎ, হৈথা-লৈথা, চৎন-কাঙলোন কয়া অসিনা মীতৈ ঐখোয়গী লুর-লুরবা ফিলোসোফি, লাইনীং লম্বী, পুন্সিরোল, য়ূম্বালোন, খুন্নাইরোল, চাকচা-ঈথক, হকশেল কাঙলোন, য়ুমশারোল, লৌতারোন, খূৎ-শা হৈবগী কাঙলোন, লাই তীলগী ৱারী লৈশেম-নোংশেমলোন, লম্মীৎলোন, খুন্দারোল- খুন্থোকলোন, লৈঙাকলোন, শেনমিৎলোন, নাৎ-চৎনবী, থৌগল্লোন, মহৈ-মশীন, ফিজেৎ-চাকচা, য়ূমলৈ-কৈরৈ, ফুরুপকী শক্তম, শান্ন খোৎনবা, খোরিরোলনচিংবা কয়া মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মৈনা ৱাই তাংনা শমথরি। লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী Ethnology, Ethnography, Sociology, Anthropology, Social Structure, Primitive Culture, Socialization process নচিংবা কয়াগী নৈনফম অমদি থিজিনফম ওইরবা উমংলাই কলচর অসি মালেমগী অতৈ মফমদা লৈতবা য়াম্না তাঙবা কলচর অমনি।

লাই হরাউবনা পীরিবা মহৈগী মঙাল অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে মদুদি লাইথৌ অসি মীতৈগী সোসিও-কলচর অমসুং রিলিজিয়স য়ুনিভর্সিটি অমনি হায়বদা মতিক চাই হায়না খল্লি। থিওরি ওফ ক্রিএসন, ইভোলুসন ওফ লাইভ, হ্যুমেন সিভিলাইজেসন্নচিংবা লৈশেম-নোংশেমলোনগী ৱারীরোলতনা পীক থল্লবা লাইথৌ অসি হোলি বুক অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। মালেমগী ওইনা হোলি বুক অমদা তঙাইফদনা য়াওনরিবা মচাক-মচন পূম্বা অয়াম্বা শুনা য়াওরবা উমংলাই হরাউবা অসি লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুনা ইচম-চম্না লাইশিংবু ঈরাৎ থৌনিবগী কুম্মৈ অমখক ওইনা থম্লম্বা নত্তে হায়বসি হৌজিক্কী মীরোল অসিনা খরা খরা খঙনবা হৌরকপসি য়াম্না ফবা খুদম অমনি। খুন্নাইসি নৌনা অমুক মীকপ থোক্লকপনি হায়না লৌবসু য়াই। মতম শাংনা মরায় চাইথরুরবা ঐখোয়গী অরিবা নাৎ, চৎনবী, লাইনীংনচিংবা কয়া তপ্পা তপ্পা অমুক হিংগৎলকপশিংদা খ্বাইদগী অচৌবা ইনোৎ-ইথিল পীরিবা উমংলাই হরাউববু তরাই-তরাইনা লৌবদি চুমলোই। মপান লমগী মীনাৎতা মীতৈ ফুরুপ্পা লুপশিনখ্রবদা ফুরুপ অসিগী শক্তমদা হোংলক্লিবা পামদবা অওনবা কয়াদু থিংননবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইখিবা লাই হরাউবনা য়াম্না কুপখ্রবা মীওইবা অমা শেন্নকপদগী হৌদুনা মখা তারকপা কয়া হায়বদি হিংবদা চঙবা অমদি খুন্নাই অমা লিংবদা তঙাইফদনা চঙবা মচাক অমদি কাংলোন পূম্বা ময়েক শেংনা উহনবীরি। শম্না হায়রবদা হোলি ফেষ্টিভেল অসি লৈরমদ্রবদি ঐখোয়গী ফুরুপ অসি মীতৈ ওইনা হিংবা ওইথোক্লমলোই। ঙসিসু মীতোপকী ইথিল, কল্লবা শাফু কয়ানা ঐখোয়গী মমল য়াল্লবা Ritual Ceremony অসিদা শিংনরকপদি লেপ্পা লৈত্রি। তাল্লকসিদা লাই হরাউবদগী লৌগদবা কান্নবশিং অদুদি ফুরুপ অসিনা মথোং-মরম খঙনরক্তবদগী লাইথৌ অসিবু চুম্নগী কুম্মৈনি, ইরাং-ফলাং অমনি হায়না লৌনরকপগী মওং অমা উরিবসি খ্বাইদগী লাইবক থিবনি। ঐখোয়না মতম চুপ্পদা নীংশিংগদবদি লাই হরাউবা হায়বসি ঐখোয়গীদি স্কুল ওফ Thought নি, Indigenous Education System নি। ঐখোয়গী অপূনবগী ৱাখল্লোন লিচিং অমদি থৌনা শাগৎফমনি। লাইনীংদা তুখিবা মীতৈ ঐখোয়না লাইনীংদগী অমুক হৌগৎকদবনি হায়রিবসি উমংলাই হরাউবুংগীনি।

# লম্ফেল পাৎকী দষা য়াইথীবি লৌকোন্দা তাহনগুমসি

– মোইরাংথেম জোগেন –

**মণিপুর** অসি মহৌশা লাইরেম্বীনা নিংথিনা থম্বীরম্লবসু লমদম অসিদা লৈরিবা মীশিংনা পঙবদগী, তনবদগী, শুনিংদবদগী অমদি ফৎতবদগী অৱাবা কয়া লৈবাকসিনা মায়োক্লরি, মীচম মীয়ামশিংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ৱাখল তাদনা হিংলি।

হন্দক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মপী-মপা ওইরিবা অমদি মীওই খরনা য়াইথীবি লৌকোন্দা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়দুনা কন্না হোৎনরিবসি মরম চাদে, মণিপুর মীচম মীয়াম্না থিংগদবনি, সোরাগী মীচম মীয়ামখক্তদা ইন্থোকপা চুমলোই। চীফ মিনিষ্টর অমদি য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর অনীনা য়াইথীবি লৌকোন্দা লাকপদা অথিংবা পীখিবা, স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবা য়াদে হায়না কন্না য়ানিংদবা উৎখিবা অসি থাগৎনীংঙাইনি। লৌউ-শিংউ তৌনরিবা, লৈবাক্কী পোত্থোক-চাথোক পুথোক্লিবা লৈহাও লৈবা লৌফমশিংবু অতোপ্পা লৌউ-শিংউ নত্তবা থবক/থৌরমশিং তৌবা য়াদে হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্না হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১০, ২০১৪ দা 'কঞ্জার্বেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট ২০১৪' গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা চৎনবা হৌখ্রবা ফাওবদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়দুনা লৈঙাক্না অমদি মীওই খুজোক খরনা মরুওইনা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা কন্না হোৎনরিবসি য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি, লাইবক থিবনি অমসুং মথোং হুক্তবগী থৌওংনি।

ঐখোয় পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফম অমদি অপূনবা মণিপুরগী লমগী শরুক তরা থোকপগী মনুংদা শরুক অমা ফাদবা তম্পাক্কী মফম অসি ষ্টেট অসিগী চীং অমদি তমদা লৈরিবা মীওইশিংগী অতাংবা, মমল নাইদ্রবা, মরুওইবা মফম অমা ওইদুনা লাক্লি অমদি মহাও লৈবা মনা-মশিং, ফৌ-চেঙ, শা-ঙানচিংবা পোত্থোক পুথোক্তুনা চিঙ্গাক্কী অৱাৎপা য়াম্না চাওনা মতেং পাঙলি, মপান্দগী চান-থক্লবা কয়া অমা পুশিল্লক্লবসু। লৈহাও চেনবা তাংলবা লৌবুকশিং মরম চাদনা, আইন্না য়াদবা, অরানবা মওংদা শীজিন্নবা হায়বসি চীং লৈবাক অসিগী মরাইবক থিবনি, হৌজিক্কী অমদি তুংগী মীরোলগী হিংনবগী, য়াইফনবগী খনবিদবা ৱাখল য়াওদবগী থবকনি। হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা কংলবা অমদি কংশিল্লক্লিবা পাৎকী মফমশিং অসিদি মহৌশা লাইরেম্বীনা চহী লিশীং কয়া চঙনা মনা-মশিং অমদি লৈনাঙশিংনা পৈশিন্দুনা শেমখিবনা মহৌশাগী হার (ওর্গানিক মেন্যুর) গী তুংনফম ওই অমদি মহৈ-মরোং চুমই অমসুং মতম শাংনা চহী থিঙমদনা হার হাপ্তুনা লৈবাক লৈহাও চেন্দুনা লৈগনি। অদুবু চিঙ্গাক্কী অৱাৎপা লৈদুনা মপান লমদগী পুশিল্লক্তুনা মীপান তাংনা হিংলিবা লমদম অসিদা লৈরিবা লৌউ-শিংউ তৌদুনা পোত্থোক-চাথোক মরাং কায়না পুথোকপা য়াবা পাৎশিং, লৌবুকশিং মরম চানা লৈঙাক্না নিংথিনা শীজিন্ননবা থৌরাং তৌবিদে। ইম্ফালগী মনুংদা লৈরিবা পাৎকী শক্তম মাঙশিল্লক্লবা পোরোম্পাৎ, লম্ফেলপাৎ, য়ারলপাৎ, অকাম্পাৎ, তাকয়েল পাৎনচিংবা মফমশিং অসি নিংথিনা প্লান তৌদুনা লৌউ-শিংউ তৌদুনা লৈঙাক্না শীজিন্নরম্লবা অমদি মফমশিং অসিদা লৈরিবা ওফিসশিং, বিল্ডিংনচিংবশিং অসিনা চীংখোঙ, চীংয়া অমদি চীংদা শারম্বা থোক্লবদি চিঙ্গাক্কী অৱাৎপা, লম্বী থোংগী খুদোংচাদবা, মী চিনবগী নুংঙাইতবা, মফম চাদনা অমদি মওং তাদনা লৈরিবা ইম্ফাল সহরগী শক্তম্নচিংবশিং অসি লৈরম্লোই হায়জনীংই।

মথক্কী ৱাফম অসিমক জপানিজ লমকোয়বশিংনা ঙসিদগী চহী ৩০-৪০ মুক্কী মমাঙদা মণিপুরগী লৈরিবা মহৌশাগী ফীভম হায়বদি টোপোগ্রাফি য়েংলগা হায়রম্লবনি। খুদম খরা পল্লবদা লম্ফেল পাৎ অসিগী চাওরাক্না একর ৫০০-৬০০ কী পাক চাউবা মরুওইনা থাংমৈবন্দ, উরিপোক, নাওরেমথোং, ইরোইশেম্বা অমদি অকোয়বদা তারিবা মীওইশিংনা লৌউ-শিংউ তৌদুনা, ষণ লোইদুনা, ডাইরি ফার্ম তৌদুনা, ঙা ফাদুনা, কৌখা কাউথুম তান্দুনা, শজিক ফান্দুনা/য়োন্দুনা মীওই লিশীং কয়া, ইমুং চা কয়া লম্ফেল পাৎতা তাংজদুনা হিংজরম্বশিং ঙসিদি এন আই টি শানবগী লম ফেন্সিং তৌশিনখিবদগী, লন্নাই নৎত্রগা সোসাইটি কয়াদা লম পীথোকখিবদগী হৌখিবা চহী ৫/৬ অসি থবক শুফম নোমফম খঙদবদগী, লৈতবদগী শাথিনা ফীভম শোকহনখ্রে, চাকনি-ফিনিবা ওইহনখ্রে অদুগা অমরোমদনা লৌশিনখ্রিবা লম/লৌবুকশিং অয়াম্বনা ঈশিং লৈবনা/চোৎ চোৎ লাওবনা করিমত্তা শীজিন্নদনা অরেম্বা তাদুনা লৈরি। মসিদসু নত্তনা লৈঙাক্না লৌউ-শিংউ তৌবদা মায় ওনশিনবীদবদগী পাক চাওরবা লম্ফেলগী শরুক্তা মফম চানা লৌউ-শিংউ তৌদুনা ফৌ অমদি অতৈ মখল-মখা কয়াগী মনা-মশিংগী পোত্থোকশিং পুথোক্তুনা অমদি মীওই ফনা য়াম্না থবক পীরম্বা লম্ফেল মেকনাইজ ফার্ম হৌজিক্তি লৈতগুম্লে।

লৈঙাক্না ফার্ম অসিগী লম অয়াম্বা মচেৎ মচেৎ ফক ফক্তুনা ওর্গেনাইজেসন/দিপার্টমেন্ট কয়াদা পীথোকখিবদগী মেকনাইজ ফার্ম মুৎশিল্লক্লে, পোত্থোক পুথোকখিদ্রে, থবক শুবা মী উরক্ত্রে। মসি লৈঙাক্কী অফবা খোঙথাং নত্তে, লৈবাক মুৎননবগী তৌরকপা খোঙথাংনি। লৈঙাক্না মেকনাইজ ফার্ম অসি হিংগৎহনগদবনি অমদি এন আই টিনা লৌশিনখিবা লমশিং লেম্না করিমত্তা তৌদনা লৈরিবা অসিসু শীজিন্ননবা প্লান তৌগদবনি। অমরোমদা এন আই টি লৈরিবা মফম অসি পাৎ ময়ায়দা শাখিবা ওইবনা নোংজুথাগী মতমদা অকোয়বদা ঈশিং থুমজিনবনা ঈরম-নালা ফুল্লি, লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌবা নুংঙাইতে, অপুম অশাগী মনম্না থল্লি, অৱাংবা ষ্ট্রকচর শাবা য়াদবতা নত্তনা চীংদগী লৈবাক কোৎতুনা শাবনা চীংগী লন উ-ৱা, লৈবাক মাঙহল্লি অমসুং মশক থিহল্লি, লৈবাক লৈহাও চেলহন্দবগী চাং হেনগৎহল্লি।

য়াইথীবি লৌকোন্দা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবা মফম চাদে হায়বসি মীচম অমা নৎত্রগা অঙাং অমনা য়াম্না লায়না খঙবা ঙমগুম লম্ফেল পাৎকী মফমদা এন আই টি শাজিনখিবা অসিসু অমনি। মফম অনী অসিগী এক্সপার্ট কম্মিটিশিং করিগুম্বা ফীভম অমত্তদা এন আই টি অমদি নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শান্নবগী খনবা য়ারোই। মরমদি সাইট সেলেক্সন তৌবা মতমদা মরুওইনা য়েংগদবা কাইটেরিয়াশিংদি দ্রেনেজগী ফীভম, ষ্টোরে শাবগী, লাপ্পগী/নকপগী, চৎথোক-চৎশিনগী খুদোংচাবা, ইনভাইরোনমেন্টগী ফীভমশিং অসি নৈনরকপদা মফম শুকচা চারোই। লোয়ননা রিজেক্ট তৌগনি অদুবু কনাগুম্বগী ইনফ্লুয়েন্সতগী মফম চাদ্রবসু চাদনা/পোলিটিকেল কন্সিদরেসন্দা মফম খনখিবা ওইগনি। করিগুম্বা এক্সপার্ট কম্মিটিশিং অসি মনীংতম্না মফম কয়াদা য়েংহল্লম্বা থোক্লবদি শোয়দনা মথক্কী মফম অনী অসি খল্লম্লোই, অতোপ্পা মফম চাবশিংদা হায়বদি অতোংবা মফমশিংদা শোয়দনা খল্লমগনি।

য়েৎনরিবা য়াইথীবি লৌকোন্দা লম একর ৩৩৬.৯৩ লৈশিন্দুনা নৎত্রগা লৌশিন্দুনা লৈঙাক্না থম্লে হায়বসি অমাঙবা করিসু লৈতে। নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাদ্রবসু লৈহাও চেনবা মফম অসিদা লৌউ-শিংউ য়াম্না এদভান্স ওইবা টেক্নিক শীজিন্নদুনা পোত্থোক-চাথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা চিঙ্গাক্কী অৱাৎপা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী য়াম্না চাউনা মেনখৎপা য়াই। কৌত্রুক্কী মফমদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবদা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং ১০০ গী মনুংদা ৯৯ না য়ানিংবা লৈবনা শোয়দনা য়ুনিভর্সিটি অসি মহয় য়ানগনি অমদি য়ুনিভর্সিটি অসি লিংবগী পান্দম ফংবা ঙমগনি থাজৈ। মীচম মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না মতম থেংথদনা কৌত্রুক্কী লমদমদা অতেনবা মতমগী মনুংদা উরেপ উয়ুং তৌনবা লৈঙাক্না তৌবিবা মতম চারে হায়জনীংই অমদি স্পোর্টসপু নুংশিজবা/পামজবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী অপাম্বা নীংবা থুংবা ওইহনবীয়ু অমদি অতোপ্পা ষ্টেটতা পুখিবা য়াবগী অকিবসু লৈহনবীগনু হায়জনীংই। য়াইথীবি লৌকোন্দা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগদবনি হায়দুনা শারবদি লম্ফেল পাৎতা এন আই টি শাবদগী তারিবা নুংঙাইতবা/অৱাবা/দষা অদুদি শোয়দনা তাগনি, তশেংবদি মসি থোকহন্নিংদে। লৈবাক অসিগী অহানবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শোয়দনা য়েৎনবা লৈতবা মফমদা শাবনা মীনসু, লাইনসু য়াগনি অমদি পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি থাজৈ।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## পুৱারী খঙদবা অমদি নৈনদবনা অচুম্বা খঙবা ঙম্লোই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*ঙসিগী* মীৎয়েংদা ইম্ফালগী কংলা অসি ইম্ফালগী মনুংদা লৈবা ওইনা উনরি। মসি অশেংবদি কংলাগী মনুংদা য়ূম্ফম ওইবা য়ূম্ফমদগী য়ূম্ফাল-ইম্ফাল কৌখিবনি। তশেংবদি মফম অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা ঈশিং থুমদুনা লৈরম্মী।

"Geologist profound that the north eastern portion of India upto Manipur and Burma were under water. Many years ago there was a big Island in the pacific ocean. In fact the Earth's surfaces quit unstolds in the begining. In the mean time the above Island in the pacific ocean was suddenly depressed into under water.

As a result the Himalayas and North Eastern portion of India including Manipur and Burma were developed (evolved) and formed. Henceforth the so called Manipur, name as Kangleipak was formed after drawing out of the water in the valley and the water flowed through the Chingnunghut. This profoundity of the Geologists is closely related to the Kanglei "PUYA" of Kangleipak.

শমজিন্না হায়জরবদা কংলৈ তম্পাক অসি ঈশিং কংখিদুনা চীংদা খুন্দারম্বশিং তম্পাক লমদা কুমথরক্তুনা খুন্দা লৈতারখ্রে অদুবু মীওই ময়াম অমদি চীংদা অদুম লৈহৌখি। খ্বাইদগী ঈশিং হান্না কংখিবা মফম অতোঙববু 'কংলা' কৌখ্রে। কংলাগী অকোয়বদা য়ূম্ফম শেম্নদুনা য়ূম-কৈ শানরে। অসিগুম্বা য়ূম্ফমশিং অসিবু 'য়ূম্ফম' হায়নরম্বদগী য়ূম্ফাল-ইম্ফাল হায়না খঙনখিবনি। কংলা অসিগী অকোয়বদা অৱাংদা কেকু পাৎ - কেক্রুপাৎ কেক্রু হৌবদা য়ূম্ফম ওইবা নত্তে, মাইচৌশিং লোন্না কেকু লোৎতুনা অরোন অথুপকী ৱা তানরম্বগী ৱাফমনি।

কেকুপাৎকী মমাঙ মৈরমদা মীনু থোঙ লৈ, মীনু লাইরেম্বীগী মমীংদা শাবা থোঙসি লৌনম চাউবা খরনা মীনু লাইরেম্বীবু মশানা য়াদনা লৌগে তকশিল্লক্লবদা ঙল্লরোইদবোই খন্দুনা থোঙজাও অমা শারবদি য়াগে হায়দোকলুবদা অচম্বা খাবা নৎতবনা শাদোকখ্রে। মীনু লৈমনা সোরারেনবু নিংজদুনা কপলবদা সোরারেন্না ব্রজ থাদদুনা থোঙ থদৎখি লুহোংবা কায়রে। হৌজিক ফাওবা মীবু লাইরেম্বীগী অশেংবা মফম খংনদরি। মখাদা শাংলবা পুথিবগী ৱারী ৱাখোঙ লাক্লে - পুথিবগী খুরাই অহোঙপুঙদা মীয়াম্না লাইশঙ ফাওবা শাজিনবদা অথিংবা থমদবা, মীয়ান খোঙদাহন্দবগী ৱাফমদি লাইরদুনা মীচং চংলিবা লৈঙাক্কী থৌদাং পুরিবনা খরগী মপাউ তাবদা থম্মোয় চাক্লে - স্বাইদা অসুম তেনশিঞ্জরে- ঐনা ইজবা 'কংলৈগী অরীবা পুকোক পুৱারীদদি' য়াম্না শাংনা ইজৈ।

*অদোমগী - ডা. অকোইজমচা নারেন খুমন*
*নিংঙোম্বম ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## মরোল থোকপা লাই

